তরাতরুকশুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# এল ব্রাই এ অমসুং এস দল্লিয়ু সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে, টাইটলনা এফ সী লমজাওনা ফংখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা ১৬শুবা কিশোর কুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এল ব্রাই এ ব্রাঙু অমসুং এস দল্লিয়ু সী পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। অদুবু লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা এফ সী লমজাওনা মকোক্তা লৈখিবদগী টাইটল অদু মখোয়না ফংখ্রে।

টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৬শুবা কিশোর কুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি এল ব্রাই এ ব্রাঙু অমসুং এস দল্লিয়ু সীগী মেচ অসিগী মমাঙদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা এফ সী লমজাওনা মখোয়গী মেচ মঙামক লোইশিনখিবদা মরি মায় পাল্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।

অমরোমদা ঙসিগী মেচ অদুদা শরুক য়াখিবা এল ব্রাই এ ব্রাঙুগী টিম মখোয়না মেচ মরি শান্নবদা অহুম মায় পাল্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১০ ফংলগা লৈখিবনি। অদুবু মখোয়গী লম্বা ওইখিবা এস দল্লিয়ু সী মেচ ৪দা ২ মায় পাল্লগা অমা দ্রো চৎলবা মতুং অমা মায়থীখিবা মরম্না পোইন্ট ৭ খক ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা এল ব্রাই এ ব্রাঙুনা এস দল্লিয়ু সীবু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি মখোয়না হান্না লৈরম্বা পোইন্ট ১০ অদুগী মথক্তা ৩ হাপচিন্দুনা পোইন্ট টেবলগী মথক্তা লৈরিবা এফ সী লমজাওগা পোইন্ট মান্নগদৌরিবনি। অদুবু টিম অনীনা পোইন্ট মান্নরবা তাঞ্জা ওইরবসু এফ সী লমজাওনা মমাঙদা মখোয়না শান্নখিবা মেচশিংদা মায়োক্নবা টিমশিংগী মায়োক্তা পাঞ্জল য়াম্না চনখিবা মরম্না গোল দিফরেন্সতা ১৬ লৈখি।

অমরোমদা ঙসিগী অরোইবা লীগ মেচ অদুদা শান্নখিবা এল ব্রাই এ ব্রাঙু মমাঙগী মেচ মরিদা গোল দিফরেন্স মরিখক লৈদুনা য়াম্না চাউনা খেন্নদুনা লৈখি। মরম অদুনা ঙসিগী মেচ অসিগী রিজল্ট ফংদ্রিঙৈ মাঙওইননা এফ সী লমজাওনা ১৬শুবা কে এস ঐচ কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অদুগী টাইটল লৌরগনি হায়বা মাঙজৌননা খঙখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা এল ব্রাই এগী এস ভোগেন্না অহানবা পাঞ্জল অদু মেচকী ১০শুবা মিনটতা চনখি। ইকান কান্নদনা মিনট ১৩ মতুংদা এস দল্লিয়ু সীগী সী ঐচ সিটলনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। থংনবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় টেজকুমারনা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা এল ব্রাই এ ব্রাঙু এস দল্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা চৎখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৫দা ঙাইরবা মতমদা এল ব্রাই এগী ভোগেন্না পাঞ্জল অমচা ꯐ দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।



HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

# অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট এম নবা সিংহ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচএনএস) ঃ টি ব্রাই দল্লিয়ু সী থম্নাপোকপীনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থম্নাপোকপীদা লৈবা য়ু পি স্কুল গ্রাউন্দদা অহানবা ষ্টেট ষ্টেট লেভেল লেট শ্রী এম নবা সিংহ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থোঙাম শান্তি, সোসল ৱার্কর মোইরাং এ সীনা চীফ গেষ্ট, পুখ্রম্বম গুলাপচাও, ষ্টেট এৱার্দি, হেদ মাষ্টর, নিরপু হায় স্কুলনা প্রসিদেন্ট অমসুং পেবম দেবান, সোসল ৱার্কর থম্নাপোকপীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা থোঙাম শান্তিনা হায়, বোল্লিবোলবু পামজরিবা শান্নরোয়শিংনা বোল্লিবোল মশান্নগী হৌরকফম খঙবা চুম্মী। বোল্লিবোল অসি য়াম্না কুইরবা মশান্না অমনি। মশান্না অসি কুমজা ১৮৯৫দা য়ু এস মচা অমনা হৌদোকখিবনি। মশান্না অসি ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৫১দা মমি তারকখি অমসুং ওলিম্পিক গেমসতা কুমজা ১৯৬৪দা য়াওখি অমসুং কুমজা ১৯৭৬তা মণিপুরদা ঈহৌ অমা লাক্তুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন শেমখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা শান্নববু পাল্লিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপা অমদি তিঞ্জং কায়জংদবা নহা পুথোক্নবা হোৎনবদা বোল্লিবোলগী পুৱারী শেম্বা হৌখিবনি। মশান্না অসিবু টি ব্রাই দল্লিয়ু সী ক্লবনা য়োকখৎতবা য়াদে খন্দুনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি। বোল্লিবোলদা নত্তনা মশান্না কয়াদা টুর্নামেন্ট শিꯟ দুনা লমদম অসিগী নহাশিংবু ক্লব অসিনা অফবা লম্বীদা লমজিংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

খুন্নাই অসিদা নুংশিনবা, অমত্তা ওইবগী শক্তম পুরকপা অমদি অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা শান্নবনা চাউরবা থৌদাং লৌই। শান্নরোয়শিংনসু থক-খা খঙনা চৎপা তঙাইফদে হায়খি।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী মেচতা টি ব্রাই দল্লিয়ু সী থম্নাপোকপী অমসুং এস য়ু দল্লিয়ু সী ইরেংবম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টি ব্রাই দল্লিয়ু সী থম্নাপোকপীনা এস য়ু দল্লিয়ু সী ইরেংবমবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখি।



HL-P/5596/28-06 nov.




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com